> "মীনম্বা ৱাদু হায়দ্রবদি মীদু হাৎপা তারবদি অদুগুম্বা মতমদা মীনম্বা ৱা হায়গদবনি।"
> - *সোনামনি (ৱাথোকচাও)*

## লময়ানবা
**—রাজকুমারি রিতম্না**

ঙসিসু ঙাইরি নহাক্কুম্বা লুচিংবা
পন্থুং তানবা খোঙচৎসিগী
লম্ফাংলবা লম্বীসিদা
ককঙাওনরবা নরৈচাশিংবু
লমজিং মৈরা পায়দুনা
লানঙম ফিরাল থেৎনবা
মৃৎনাইদ্রবা মিংলেনবু তুংলমচৎকী
মীরোল কয়া কয়ানা কাউবা লৈতা শোন্নহৌবা
মীয়াম্না লময়ানবা মিংথোন পীখিবা
নরৈবাক্কীদমক ওইজবা পূম্বা থাদোকখিবা
লাক্লরোইদ্রা নহাক্কুম্বা লুচিংবা।
থাবুমসিনা য়ৌরক্লবদা হে অথৌবা
শোন্নগনি মফম খুদিং নহাকপু
কৎনগনি লৈরাং খুজোক খুজোক
অসুম্না অসুম হৌখিদো কুমজা কয়া কয়া
উবিদ্রবা হে লময়ানবা নরৈচাশিংগী অৱাবসে
কপ্লক্লে ঙসিদি মণিপুর কৌবী ইমাসে
অপূনবগী শক্তম্বু ঙাক ঙম্বা
মাঙজিল থাবা লুচিংবা অমগীদমক।
মফম খুদিং থোক্লকই লুচিংবগী লুচিংবা ঙাক
য়াওরকপরা নহাক্কুম্না থৌনা ফবা
ওইজবা থিদবা পূম্নমক কথোকপা ঙম্বা লুচিংবা
লমজিংবীরম্মী নহাক্না নুপী খুন্নাইবু
চেঙ লৈনা লৈনা চাবা ফংখিদে নরৈচাশিংনা
মতমদুগী ইমাশিংগী থৌনা হন্দ্রি ঙসিসু
চোকথবা নাইদনা ঙাইরি থৌনা ফবা লুচিংবা
লমজিং মৈরা পায়দুনা ইমাং থানা চৎলরো
নতুংবু ইল্লক্কে ইমাখোয় লাক-ওগবা লুচিংবা
নহাক্কুম্বা অমত্তং।

## মৈ ইক্লবনি
**—খুমুকচম লৈবাকলৈ**

হৌগৎলো তূম্লনু মীতৈ নোংশা পূম্নমক
মীকপ থোক্লো য়াকাইরো, থেংমনখ্রে মতমসে!
মতাংদো নৎত্রে নীঙাইদনা লৈথোকপগী
পুথোক্লো অরৈবা পাঙ্গল থৌনা লৌশিং!
পিরাংতনা ঈফুৎ ওইনা চেল্লক্লে কায়নবগী,
য়োৎখিদৌরে য়ূমদাংবনা কৈনাবা কাঙবুশিংনা
মৈ হৌনা চাক্লে ইরমদমসে! লাইনীংবা শাবা
হীংশা তৌবদা হালেংবা লৈত্রবা ফুরুপশিংনা,
নৈহৎলগা মাঙহল্লে মতুপ মতুপ কক্তুনা
তূমদুনা লৈজবা লাঞ্জদ্রবা থৱায় কয়া
য়েংদুনা লৈথোক্লে নীংঙাইদনা মপী-মপাশিংনা!
পাংদবনি খল্লি ঙাকপীহৈবা মীতৈশিংবু,
অপঙবনি খল্লিমাল্লে তূমিন্না লৈববু
হৌরসি ঐখোয় ঙম্নমক পূনশিন্দুনা!
নূঙ অতেকপা শম্বা য়াদবগুম হৌবা য়াদবনি
মীতৈ নোংশাশিংসু! খঙহনসি মালেম শিন থুংনা
মৈ ইক্লবনি ইশা পূম্বা, নতুং ইল্লক্লবা থৌনা ফবা নখোয়গী!
খঙদ্রমাল্লে মখোয় মীতৈগী থৌনা লৌশিং
লৈয়েং ফাজিনখ্রে অঙম্বশিং,
না তাখিদ্রে লৈঙাকপশিং
মীৎ উখিদ্রে উনা উনা!
ঈচাও থোক্তুনা ঈপাক ওল্লসিফাও ঈতনা
নীংঙাইনা লৈথোকখ্রে নাচুংবা লৈতনা!
ঙাকপীহৈবা থম্মোয়সে খাংফম খঙলক্ত্রে
হৌগৎলো থিন্থুরনু মীতৈ নোংশা পূম্নমক!
খূৎতা মৈরা পায়দুনা নতুং ইল্লক্লগে থৌনা ফবা নখোয়গী!
কলহৌরসি ইরমদম কলহৌরসি ঈরৈপাক,
মৈ ইক্লবনি ইশা পূম্বা।

## লাংবন থাগী লম খুনু
**—নিংথৌজম বিমোলা লৈমা**

লমগী খুনু নঙবু কনানা থারকপনো
নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নঙনা ঐগী নাক্তা লাক্লিবা
কনাগী পাউখোলনো করিবু হায়নীংলিবা
করিবু চানীংলিবা হায়য়ু অপাম্বা, লমগী খুনু
নঙনা ঐগী নাক্তা উপালদা তোংদুনা কুরকু
কুরকু খোংদুনা ঐগী পূক্লিংবু শুমহৎলিবা
পলেম ইমানবু ওল্লকপরা, পাম্মুবা মানবু ওল্লকপরা
হায়য়ু খুনু ঐগী থম্মোয়সে কায়রে
মীৎলু পিরাং ঈহৌরে, নঙগী চেঙ-হৱাই থারগে
কুমথরক্লো উপালদগী
খোংলগনু নঙগী কুরকু-কুরকু হায়না খোংবদো
নীংশিংহল্লি থৌদোক কয়া নঙগী খোঞ্জেলনা
কায়হল্লে থম্মোয়সে
নখোয় অনীনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী
হৌনদুনা লাকপবু অৱা নুংঙাই ৱারী শাসিরা
নরোন খঙলম্লবদি কয়াদা নুংঙাইরমগনি
খোংলরো তারগে থম্মোয়সে পেন্নবা কুরকু-কুরকু
লাংবন থাসু লাক্লে, লাকউকো নুংতি নুমিৎ খুদিংগী
নঙগী চেঙ হৱাইসু থারমগে
ঈশিং খুজোক থনমগে নবুক পেন্না পীজগে
নবুক থন্না পীথক্কে পাম্মুবগী থৱায়নি
খন্দুনা য়েংজগে, খোংলরো খুনু
নঙগী কুরকু, কুরকু হায়না খোংবদো।

## শক্লখিনি ঈশৈ নীংতম্বগী
**—বি কে শর্ম্মা**

নোংপোক নিংথৌ ওইরসু
সিব মহাদেব ওইরসু
লাইগী খুভম ঙাল্লিবা
বারুনি চীংজাও নহাক্না
ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু নাওথেম্বীখিবনি।
শীজিন্নদুনা ইন্দিয়ানা নম্ফু
মুনখিবদগী মর্জরগী খূৎয়েক
ওমচাক্লর' থম্মোয়বু পুদুনা
ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা চংজখিবনি
বারুনি নহাক্কী নশাইগোন্দা
লৌদুনা শক্লোন মীচম 'মগী।
কায়র' থম্মোয়সে ইনিংথৌগী
থেমজিনবীখিবনি নহাক্না
নীংতম্বগী ফিরাল কংলৈপাক্কী
পাইরখিনি শোয়দনা কংলাদা
শক্লখিনি ঈশৈ নীংতম্বগী
হায়বা নহাক্কী নাওশুম ঈশৈনা।

## মীৎকপ থোক্লো পারি ইমোম
**—ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ**

মীৎকপ থোক্লো পারি ইমোম
য়েক্ল মায়ওং য়াররো পাঙ্গল্লবা
খাম্বী মৈহৌরে খা ৱাং মনীং মাইকৈ
মৈখুনা মমখ্রে শংবান্না অতিয়া।
পাইহল্লু লানঙম ফিরাল ইমাগী
চোৎহল্লে পারি ইমোমগী ঈখেংতনা
পিরাংগা লোয়ননা শামু হকচাং
তৈথোক চাল্লরো অথৌবশা লাও।
ঙাইরমগে ইমানা লানঙম ফিরাল
নিলহল্লু অতিয়া মায় পাকপগী খোল্লাওনা
বৃটিশপু নিকহনখিবা ইপা ইপুশিংনি
কিরুবনু পাঙ্গলদা লৌশিংদা অথোইবনি।
লৈরি লেপ্লি ইমাশিং ননাক্তা
খঙহল্লু লানশিংনবা য়াদবা মচানি
নীংশিংহল্লু পুৱারী ঐখোয়গী লিংজেল
কিহল্লু মমিংতা তাবদা থৌনা ফবগী।

## লাংবন থানা লাক্লবদা
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লৈখিদ্রবশিং অদুগী থৱায়না
কুম অমগী লাংবন থানা লাকপদা
হল্লক্লম্মী শকখঙদবা
জীব কনাগী শক্লোন লৌরদুনা।
চারো লাও, থক্লো লাও
ননীং তৌনা, চারো লাও
থৱায়শিং অদুনা পেন্নবা
লাও-লাও, ইনাক্তা লাও
চারো লাও, থক্লো লাও।
তাইবঙ থৱায় ওইনা লৈরিঙৈ
নুংশিনা তোরো খোন্দানবসু
ফংহৌদ্রবশিং, লাওনে ইনাক্তা লাওনে,
কৎচরি কুমওন অমগী
লাংবন থাগী তর্পন
হৈরাং-লৈরং, চেঙ-থোইদিং
নখুয়া খাদা কৎচরি।
য়াংগংলবা ইপা ইপুশিং
লাই ওইখ্রবা থৱায়শিং'দুনা
পীনবীরম্মু য়াইফ থৌজাল।

## অথোইবা
**—রাজকুমারি মীনা**

লুচিংবা ওইবগী মতিক ময়াই
খুদিংমক্না লৈতেংখ্রবা মীশক্লি
মশাগী ওইজবা খুদিং থাদোকখ্রবা
য়াওল্লোইগী পুন্সি মরেলদা
থৱায় কৎথোক্তুনা পুন্সি পিখম্নখ্রবা
মীয়ামগী লুচিংবা মহাকপু
ফিদম্নফম ওইনা ঈরাৎলগা
অশোয়বা খুদিংমক চুমথোক্লবগী
তাঞ্জা লৌবনা তং তাদ্রবা তুংলমচৎ
য়েংবদা মল্লবা কংলৈসিগী
অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইগনি।
নীংঙাইদনা খোমলেন তুমখুল তাল্লিবা
মীওই কয়াগী থম্মোয়বু য়াকাইহনবা
নীংতম্বগী য়াকাইরোল শক্লম্বা
হীরম কয়াদা লমজিং মৈরা চুখৎপীরম্বা
অনৌবা অওনবা খুন্নাই পুরক্লবা
হোৎনখিবা মীয়ামগী লুচিংবা
মীওইবগী পুন্সিনা লৈরিমখৈ
নীংশিংদুনা লৈরগদবা লুচিংবা
মশাগী ওইজবা পূম্বা কৎথোকখ্রবা
তুহৎ-নৈহৎপীরবশিংবু মঙাল পীখিবা
মীনাই নাইথাংবু পামজদবা
নুংঙাইথোকপা হৈনজবা পুন্সিরোলদা
নাওশুমখ্রবা খুন্নাই অসিবু
মচেৎ-মকায় খোমজিনখিবা
থম্মায়বীরল্লবা য়েলহৌঙৈগী পুন্সি মশকপু
অনীশুনা তিন্নবা য়াদে হায়বা লায়নাসিবু
লায়েংবীখিবা অথোইবা মীশকনি
মতিক ময়াই অসিবু ঙসিগী মীরোলনা
খোমজিন-তাশিনবগী অচৌবা মথৌ তাই।

## কুল্লী
**—কীর্ত্তিচান্দ**

ক্বাক অমনা পাইখি
য়ূম য়াংঙেল লান্দুনা
চরোই অমসু লাঙলি
মনীংগী ৱাপল মরক্তা
নোংঙাল্লে তাক্লি
নোংঙাল্লে লাউরি।
হৌজিক্তি মী খুদিংমক তূম্নদরে।
কুল্লী অমখক্তি,
প্লেটফোর্মদা রেলৱে ষ্টেসনগী
নাখোক্তুনা তূম্লি নুঙাইনা
বোরাগী মোম্পাকফিদক মথক্তা
মপান্থোমদা মোন খাঙলদুনা।
পোৎয়োম পুবা
লংফৈ চৎপা মী অমা
মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরি
মথং লাক্কদবা গাড়ী ঙাইরি।
রেল গাড়ী য়ৌরক্ত্রিবা
সনা লৈবাক্কী মী খুদিংমক
মচি লেঙদ্রি ফমুং মথক্তা
নোংঙানবা ঙাইরদুনা
লূম্ল-লূম্লবা পোৎলূমশিং
মকোক্তা থোনগৎতুনা পুনবা।

## অমুক মুৎ অমুক মম
**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ঙরাংনা মীয়ামগী কর্ফিয়ু
ঙসিনা শিন্থা লেপথোকপা
হয়েংনা লৈঙাক্কী কর্ফিয়ু
হংচিৎনা অমম্বা নুমিৎ
অমুক মুৎ অমুক মম
লোইরেদকো ইমা সনালৈবাক
মমিংতমক ঙাইশিল্লক্লে 'সনা' সে!
পান্থে লৈত্র নতৌ উরুবদা
উনবী পূক্লিংসে লৈতাদরে
তনিক তনিক্লক্লে থম্মোয়সে
অউ অউবদা তাইননীংলক্লে।
মানা মানা নীংলকপা
অপাম অপাম্বা তৌনরবদা
থক-খা ওনখরে কংলৈপুঙ
মপী-মপানা নাওকোন্দ্রবা
লমজা শরা মচা ওল্লেদো
লৈবাক মীয়াম ঐখোয়দি
মকোক অনী পানবা
তাংজ লীনগা পাঙ্খক ওইখ্রবা
'দবল ইঞ্জিন' গী কাঙ্গোৎ তো
মমৈরোমদা অমা, মকোক্লোমদা অমা
চীংখায়নবদা মচি লেঙখিদরে।

মতম মতমগী ৱাখল

# ঐখোয়সে লৈবাক নীংলিব্রা ?



জেনেরেল ইলেক্সন ময়াদা কেন্দিদেটশিংনা হায়, প্রাজাগী পাউখোল্লোয় ওইহনবীয়ু। মমল য়াম্লবা মীয়ামগী ভোট পীনবীয়ু। মফমসিদা হায়রিবা প্রজাগী পাউখোল্লোয় অসি করিনো ? কেনি দদেট মশা খঙজদনা প্রিন্টিং প্রেসশিংনা পঙনম নমখিবা ৱাহৈরা নৎত্রগা অঙাংনা শুমলাক চিনফা পুবগুম পংহায় হায়বা অদুগুম্বরা ? মমল য়াম্লবা মীয়ামগী ভোট হায়বসি করিনো ? ভোট হেক লোইখিবা,কাখিবদা মীয়ামগা মরি লৈনদবসি করিগীনো? মীয়ামগী পাউখোল্লোয় হায়রিবসি হৌজিক উরিবা ওইরিবা ময়াম অসিরা ?

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা পারা খরা তমখি- ধর্ম্ম কনবা রাম, মপা নীংবা রাম, মরৈবাক নীংবা অথৌবশিং, নীংতম্বগী অরোয়বা লান, নীংতম অন্দোলন অসিনচিংবা । অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎকী ঈরৈবাক, হিজম ইরাবোৎকী ইমাগী পুজা, দিখৌ তুরেল তোর্ব্বন্দা শৈরেংশিং হৌজিক ফাওবা তম্মী। লৈপাক নীংবদি মীপূম খূদিংমক ঙল্লিঙৈদনা হেল্লি । খোংজোম পর্ব্ব শকপা, শকপীশিংনা অহানবা ঈশৈ হৌবদা, "মণিপুর সনা লৈময়োন, লাইনা থাবা লমদম্লি.." অসি হায়না শৈথারগা হৌই। শুম্মাং লীলা শান্নবশিংনা, "মৈতৈ লৈমা ইমাগী মিংখৈ শোল্লসি" ৱাহৈ অসি ময়াম চপ মান্ননা লাওরগা ঙসি ফাওবা শান্নফমদা শৈহৌ ওইনা হৌরিবসি করম্বা অতৈ আর্ট ফোর্মশিংদা, করম্বা লৈবাক্তা লৈপাক নীংবগী ৱাহৈ হায়রগা অসুম্না হৌনবগে ? অইবশিং, জগোয় ঈশৈ, শুম্মাং লীলা, খোংজোম পর্ব্ব শকপা খুদিংমক্না ঐখোয়দগী হেন্না মখোয়না লৈপাক নীংঙি। মরৈবাক্কী মতীক ময়াই হন্না হন্না শৈথারি।ঐখোয়গী খোংজোম পর্ব্ব মোইরাং কংলৈরোল শকপা, শকপীশিং, শুম্মাং লীলাগী লীলারোইশিংদি ঙসিসু মমা লৈবাক মরমদমবু অহৌবদা শোঞ্জদুনা লাওরগা হৌজরি। মরৈবাক মরমদম নীংবদি মখোয়নি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। মীবু নোল্লুকপা মতৌ,ইকায় খূম্নবা উৎচবা, নাপল য়াওদনা অহল লমন লাই-গুরুশিং ওজাশিংবু নোল্লুকপা উৎলগা ঈশৈ হৌজরিবা অতোপ্পা অমনা- পেনা ফমশক্কী অশৈবশিংনি। মখোয়না অসুম্না হৌরি -"উম, নহালনোং.. ননাই ৱাকমা অশৈবা, লৈকাই লান্না শৈশকচদ্রিবনা ..হন্না হন্না পুনেমজরিয়ে ..।।"

ঙসিগী মীয়াম ঐখোয়দি, নোল্লুকপসু লৈত্রে অহল লমন মশকসু খঙনদ্রে। অমনা হায়বসু অমনা তানদে। লৈপাক নীংবগী ৱাসু লৈত্রে। চিন্দদি লাওরি, ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্কনি,য়েতূম মতোনগী লৈপাক অমত্তসু পীথোকলোই।য়েত্তুম মতোন্দা পকপা লৈপাক হায়বগী নুংগী ৱাহন্থোক্তি খঙনদবগুম তৌরি। য়েত্তুম মতোনগী লৈপাক্তি কৈদৌননি হায়দুনা চীংমাই চীংমাই লৌশিন্দুনা খুন্দাশিন্নখিবদা লৈঙাক্না তকথোকপা ঙমদ্রি । য়েত্তুম মতোন্দা পকপদগী হেন্না তম্পাক ফাওবা য়ৌরক্কদৌরি। ঐখোয়গী মীয়ামসি মণিপুরগী ঙমখৈবু কদায়ফাওবনো খঙনরমখিগদ্রা? ঙমখৈদা চৎপা য়াইতোং ফমদোংবা কয়াবু লৈরবগে? চেদা চৎপা ঙাক্তনি। ঙমখৈদা য়ৌরুদ্রিবা চৎতবনা অয়াম্বা ওইরমগনি। লময়ানবা হিজম ইরাবোৎতি চৎখি। ঙমখৈদা অহিং কয়া লেকখি। পুন্সিগী অরোয়বসু ঙমখৈদনি। হৌজিক লৈপাক নীংবা মী থিবদা লমদম অসিদা লুনা থোক্লে । মীপূম খুদিংমক,ইমা লৈপাক ইরমদম মণিপুরবু নুংশি হায়না শোন্নরি। চিন্দা লোইনমক্না লাওরি- লোং লিভ মণিপুর ..। ইমা ইবেনফাওবা হায়রি। ইরৈবাক নুংশিবা কন্নবা হোৎনবদি ইমা ইবেনখক্তবু ঙাইরক্লে ।

সোভিয়েটকী মিংস্ক হায়বা লৈবাক অদুদা লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা মমিং মথা খঙহৌদবা অথৌবশিংগী সিমিট্রিগুম্বা মফম অমা লৈ । খাং টুপী উপ্পা, লাম্মী মকোক অমগী শক্তম নুঙদা হক্লগা লৈরি । মিংস্কক্কী মীওইশিংনা লুহোংবা হেক লোইবগা বোর কৈন্য অনীনা লাক্লগা শকখঙদবা লাম্মী মকোক্কী নুঙদা হক্লিবা অদুদা খুরুম্মী । লাইশোলদু অতৈ হায়দে,"ঙসিদগী ঐখোয় অনী ইতৈ ইনাও ওইরে। ঐখোয়না পোক্কদবা ইচাদু নখোয়দৌনা ইরৈবাক্কীদমক থৱায় থাবা ঙম্বা পীনবীয়ু।" অসি হায়না খুরুমখি। লুহোংবগী বোর কৈন্যগী লাইশোন্দা ফাওবা মীগীদি মরৈবাক নীংবা য়াওরি। মখোয়না পোকলক্কদবা মচাশিং মরৈবাক্কী থৱায় থাবা ঙম্বা পীনবীয়ু হায়না থৌনিরি। চৎনবীদু উবদা ঙকখি । নুঙগী অহকপা শক্তম অদু উবদা ঐখোয়সু থুক লাওই, মখোয়দৌনা ইরৈবাক নুংশিবা ফাওখি। ইরমদমদা লাক্লগদি পূমচাই চাইখি। করিনা, পূক্লিংদা থুক লাওবা ফাওবা ইরৈবাক নুংশিবগী মশক উবা অশেঙবা মফম লৈতে । লৈপাক নীংবা হায়বসি ওইরক্লবা, লৈপাক নীংনীংনবা মাঙ থাখিবা অথৌবশিংগী মফম মওং তানা শেমগৎলগা লৈত্রি। খোংজোম লানগী মফম, কংলাগী মফমশিং অমদি অতৈ হাইদোকখিবদা লৈরিবা মফমশিং লিভিং মিউজিয়ম শেমগৎপা লৈতে। কুমওন থৌরম লাকপগী পাংথোকপা নত্তনা কনানা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ-লৈ কৎপা খুরুম্বা চঙনরিবগে ? চঙনীংবা ফাওহনবগে ?। লৈপাক নীংবা হায়বসি লাইরিক পারগা অমদি ৱারী খরা তারগা ঙাক্তা য়াদ্রি। হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্টস অমদি অশেঙবা মফমশিং, মচাকশিং মিৎনা উবা, পোৎলমশিং ফংবা নৈনবা অমা চঙলি । অখঙ অহৈ ওজাশিংদগীসু খঙবা য়াবা, তাহৌবা খঙহৌবা ৱাৎলি ।

মাঙলমচৎতা পানখিবা নিংথৌশিংনা কয়ামুক লিংজেল লৈনা লৈপাক ঙাকলমখি হায়বসি ঐখোয়না লাইরিক লাইশু অমদি ৱারীদগী তারি। পীক্খ্রবা মণিপুরনি, মীশিং য়াম্লম্বসু নত্তে । অকল অথৌদি য়াম্না লৈরমখি। লৈপাক মীয়ামসু থৌনা লিংজেন লৈখি। থক্তা পানখিবা নিংথৌশিংগী লৈঙাকলোন য়াম্না নৈনরুদ্রগসু অথেঙবগী নিংথৌশিং চন্দ্রকির্ত্তিদগী হৌরগা নরসিং,গম্ভীরসিং, চৌরজিৎ, পাউনা,থাঙ্গাল,টিকেন্দ্রজিৎ অমদি চুরাচান্দ, বোধচন্দ্র ফাওবগী লৈঙাকলোনশিং ঙসিগী মীয়াম্না নৈনবা চুম্মী। অতৈ মরৈবাক নুংশিজখিবশিং হীরাচন্দ্র,সনা চহী অহুম,হিজম ইরাবোৎ মখোয়গী মরমদা তোয়না নৈনবা, মহৈ লোয়শঙশিংদা মহৈরোয়শিংদা খঙহনবা চুম্মী। ঐখোয়গী মাঙলমচৎকী ইতিহাস পুৱারী অসি ঐখোয় থাদোকপা চুমদে। স্কুল কলেজগী সেলেবসশিংদসু ঐখোয়গী পুৱারী অসি মফম চাউনা হাপ্তুনা তম্বা মথৌ তারি। ঐখোয়গী ইতিহাস পুৱারী তম্নরক্তবা নৈনরক্তবদগী লৈপাক নীংবগী ৱাখল অসি ঙসিগী মীরোলদা লৈরক্তবনি ।

কয়ারক হন্না মণিপুরদা য়ূমলোন্নবা অৱানা লান্দারকখি। লিশাং শিৎনা চহী তরেৎ লৈপাক কাং খোং চাইহনখিবা অদুবু ঐখোয়না চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়না খঙনরি । ঐখোয়না অৱা লৈপাক হায়রিবসি ঙসিগী ম্যামনার মতম খরগী মমাঙদা বরমা হায়না খঙনখিবদুগনি। মণিপুরনা খুন্তাক লানশিরক্লবা নিংথৌ পাল্লকত্রবদা- চৌরজিৎ,মারজিৎ,গম্ভীরসিংহ, নরসিংহনা মণিপুরবু অৱাগী মখুৎতগী কন্নবা করম্না হোৎনখিবগে ? করি হায়না ৱাশকখিবগে ?

মণিপুর নীংতম্না নিংথৌ পাল্লকপা লৈপাক্লি। বৃটিশনা ইন্দিয়া খুদুম চন্দুনা মখোয়গী মখাদা পাল্লকখিবা মতমদা ঐখোয় মণিপুরদি নীং তম্লি । মণিপুরগী নীংতম্বগী ফিরাল বৃটিশনা চিংথরগা মখোয়গী য়ুনিয়ন জেক ফিরাল কোন্না হায়গৎখি। মখোয়গী মখাদা লোইলম ওইনা লৈখি। মদুগী পেন্দবা শাওনীংবগী নিংদোন ঙসিসু পোল্লি । অশাংবা ইতিহাসকী ৱারীনি। মতম অদুদসু ঐখোয়গী লৈপাক মীয়ামদি লৈপাক নীংবগী থৌনা হন্দ্রি । মৈতৈ নিংথৌশিংনা মরৈবাক নুংশিবা, মরৈবাক্কীদমক শিবা কিদবা, অদু লৈবনা চাউখ্রবা বৃটিশকা লম্বা পাখি। মতাং স্বাইসিদা- কুল্লচন্দ্র,থাঙ্গাল, পাউনা,টিকেন্দ্রা, য়েংখোইবা, চোংথামিয়ানচিংবা অথৌবশিংগী থৌনা মখোয়গী কন থৌবগী ৱারী নীংশিংনীংঙাই ওই। ঙসি ফাওবা মখোয়বু শোন্নরি । মতম অদুদা তৌগে হায়বতা ঙম্বসি বৃটিশনি অদুবু ঐখোয়গী নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা মখোয়বু শীংনখি । বৃটিশকা লম্বা পাখিবনি।

ইতিহাসকী ৱারী মতেক অসি মফমসিদা নীংশিংজরিবসি মীয়াম্না খঙদে হায়বগী নৎত্তে। মীয়ামদি খঙলি ঙসিগী লুচিংবশিংদি কাওখ্রে।খঙলবসু খঙশিন্নদ্রে । মরম অসিনা লৈপাক নীংবা, মরৈবাক মীয়ামবু নুংশিবা হায়বসি মখোয়গী মফমদা লৈত্রে হায়বসি ময়েক শেঙলক্লি। অঙম অথৌশিবু নীংশিংহন্নীংবা ৱাফম অমসু লৈরি। এম এল এ ওইবা হায়বসি মীয়াম্না থাগৎখিবনি। মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপীরক্লবনি। থাগৎখ্রবা তুংদা মীয়ামদগী হেন্না চাউরে, মখোয়না মপূনি, মীয়ামগী খোল্লাও ৱাকৎ তারোই হায়রগদি মূক্লবা লাক্কনি। এম এল এদি চহী মঙা মঙা খক্কীনি ভোট কাদবা মিৎকুপ্তা মীচম অমনি হায়না খন্থবা ঙমদবসি তাংজা ফিরুক খুরুম্নিংঙাইনি। এম এল এ,মিনিষ্টর অসুম ওইদুনা লৈবা য়ারোই, মীচমদা অমুক হল্লক্কনি হায়বসি খঙবীরগদি মীয়ামগা লোয়ননা মতম শাংনা চৎমিন্নবা য়াগনি। লুচিংবশিংনা ইরৈবাক ইরমদম নুংশিবা, লৈপাক মীয়াম নুংশিবা হায়বসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি। ড্রামাগী ডাইলোগ ওইরগসু মৈত্রম বীরনা ইবা টিকেন্দ্রজিৎ ড্রামাদা থঙ্গালনা বৃটিশ সাহেবতা চাউথোক্না হায়খি, "ঐগী প্রজানা য়াদ্রে য়াহেব ।" লৈপাক প্রজাবু লূম্না লৌই হায়বসি থাঙ্গাল জেনরেলগী ডাইলোগ অসিনা তাক্লি ।

ঐখোয়গী ঙসিগী লুচিংবশিং অসি তশেংনা ইরৈবাক অমদি লৈপাক মীয়াম অসি লূনা নীংলিব্রা হায়বসি হংনীংঙি। ঐখোয়না ঐখোয়গী এম এল এশিংবু ইকায় খূম্নজরি অদুগা এম এল এ, মন্ত্রিশিংনদি লৈপাক মীয়ামবু করিসু লৈতবা মখা থাবগুম খল্লি, ইকায় খূম্নদে হায়বসি তৌরিবা, উরিবা, তারিবা ময়াম অসিদগী খঙবা ঙম্মী । মহৌশাগী খোঙচৎতা থানিল-থাশি, অয়ুক-নুমিদাং, অমম-অঙান,অকা-অকুম লৈরম্বসি ঐখোয়না নীংশিংনরগদি মীওইবসি য়াম্না চাউখৎলমগনি। এম এল এ, মন্ত্রিদি মীয়াম্না থাগৎলগা ওইবনি । থাগৎলক্তবা মতমদা মীচম অমগা চপ মান্নে । লৈকাইগী থৌদোক্তা ফকশাং অমত্তদা ফম্মিন্নরক্কনি। লম্বীদা ঙক ইন্নরগা কৌনবা য়াওরকপসু য়াই । মরৈবাক নীংখিবশিংদি মীয়াম্না লৈ কৎনহৌগনি, শোন্নহৌগনি। "নঙোন্দসু চাকপ্রা, অহোই অহোইননা, লাম্নৈগী মৈচাক্না পলেম শক খঙদবা, ইমা-কৌরিবা অদুনরা ?" (ইমাগী পুজাঃ হিজম ইরাবত)

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

# লৈপুঙ ৱারেম

ঐখোয়গী গ্রুপ অমা লৈ। ঐখোয় শূফম নোম্ফম লৈতবা কাঙবুগী অপূনবনি। ঐখোয় লৈকায়দগী খজিক হাইথরগা লৌবুক য়ৌরমদাইদা উকু অমা লৈ। মদুদা হেক হেক ফম্বনি। ঐখোয়গী মরক্তা চাওরাক্না চহী ৩৮/৩৯ মুক্কদি শুরবা ময়াম্না তাচৌ কৌবা অমা য়াওরি। ৱা হৌনা ঙাঙদে, নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা ইমোন মোনবা মীদা জাৎনি। মপূং ফাবা মীংদি ইরাবোত হায়বনি। নেতা হিজম ইরাবোতকুম্বা নত্তে। মাদি খুন্দ্রাকপম ইরাবোতনি। মাগী স্পেসিএলিটিসি নুপী কোইবনি। নুপীদি ফনা নীংথিজনা কোইবা জাৎনি। মাগী ৱারীসি নুপী কোইবগী ঙাক্তনি। চাওরাক্না হৌজিক ফাওবদা নুপী ৩৫ মুক কোইখ্রে হায়। মঙোন্দগী হেন্না নুপী কোইবা নুপা লৈরমগদ্রা খঙদে। নুপী কোইদনা লৈবসি য়াম্না হৈনদে হায়। নুপী হেক কোইবগা ৱাখলগসি নুংঙাই হায়। নুপী অমা কায়নবা অমা অমুক হেক্তা কোইশিনবা। নুপী অমা হেক উবদা মশাদা জিং লাওবা অমবু ফাওরদি কোই সুট তৌদুনা নমদনা কোই হায়। মানা হায়বদা অহানবদা খরা বেরা বেরি তৌরম্মসু মাগী তকশিনবী অমা লৈ হায়। মদুদা নুপীখৈ খাঙ লাকপা ঙম্বা নত্তে, থোক থোক হেক্তা য়ারকপীনি সিনি।

নহান নোংমদি ময়াম্না লান কন্না তৌরিঙৈদুদা ঐখোয়সু চীংয়াগী লানফম অমদা হাইরপ য়েংলুসি হায়দুনা চৎলুই। মফমদু য়ৌরমদাইদগী হৌরে মানা মাগী ৱারী অমা নীংশিংলকপা।

"সি লৈকায়সিদগী ঐনা নুপী অমা কোইরম্মী।"

"তাচৌ নঙনা কোইদবা নুপীসি লৈতেদা, লাইকোই হায়দু তারেনে?"

"খঙদে ইবো নুপীসি কোইরিখৈ নুংঙাই"

"অদু নুপী অদুক য়াম্না কোইরিদু শেলদি তিংদ্রা হায়বনিদা?"

"কাইদে শেলনোহে, নুপী কোইববু শেল তিংব্রা? ঐনা সুক য়াম কোইরিসি সিকি অমফাও তিংদে, নুপী কোইরগা ঐদি শেল পায়রিনি কৈনো?"

"কমাইনা?"

"হাইমা, কোইবা চৎলে, নুপীদুনা এক্সপেন্দিচর লোইনা পুথোকখ্রদৌরিনি। হোটেলদা কৈনোমা চারসু, ঐদি লুপা অমা পুথোক্তে। নুপীনা লৈরগা চাবসিনা হেন্না হাওই। অদুগীসু মথক্তা ঐদি মোইদগী শেলসু পূথরিনি"

"অশ! অদুবু য়াব্রনে?"

"য়াদনা পূরিনিনে"

"কয়াগা পূরিবা?"

"ঐদি মথৌ তাবা মখৈ নুপী অনী অহুমদা হায়রনি, মোইনা খরা খরা পীরকপদুনা লিশীং তরা কুনগী ৱাসিদি খূৎকাপ্পী তেক তেক কাপ্পদা অদুম থোকইনি কৈনো?"

"অদুদি তাচৌনা নুপী কোইরিসিদি তোংজরেনে?"

"অদুগীদমকপু কোইরিনি কৈনো? ঐনা নুংঙাইত্রিসি কায়নবসিমা নুংঙাইতে। নুপী অমা কায়নরদি ঐগী শেল থোকপা খনি অমা কায়খিবগা চপ মান্নে"

"অদু নুপীশিংদুনা খঙলক্লদি কমদৌবা?"

"খঙলসু কৈসু কায়দে, অমা থোক কোইনি"

"তাচৌনা নুপী অদুক য়াম কোইরিদু প্রোগ্রামদা মতম ফাংজিন্নবদি য়াওদ্রা?"

"কোকথোং অমা য়াওই। মদুসু য়ান য়ানবা নংন-নংনবা শেম শাদুনা খুম্মীনি, অদুই হায়রুরদি ৱাখ্রজাৎনি। ওইদবা ময়াম অমা পরেং লেংলগা অওইবা মান্নবা হোৎনবসিদি ইবো শাথীনা ৱাখ্রজাৎনিহে। কায়নবা হায়সিদি মরম অমা নৎত্রগা অমগী ওইবা য়াই। ঐনা অতোপ্পা নুপী কোইরে খঙবদগী কায়নখিবসু লৈ। য়েক থোক্লবদগী কায়নখিবসু লৈ। অদুগুম্বা তাঞ্জাদুদদি ঐসি কপশিন্নদনগা য়াম তৌরিজাৎনি"

তাচৌগী ৱারীসি জাৎ জাৎনি। ঐনা নুপী অমখক উচিন নাচিন্না কোইখিবদু মানা থারকপা প্রোগ্রামসি ঐ অয়াম্বা চৎতে। মরমদি অচাপোৎ চাসি হায়রক্কনি। ঐনা শেল পুথোক্কনি। ন্যু ইয়র লাক্কনি, গিফ্ট থৌরক্কনি। মপোক নুমিৎ লাক্কনি অদুদসু গিফ্ট পীয়ু হায়রক্কনি। ঐ হুমাং অনপ্পী কাংখিবা য়াম য়াওখ্রে। অদুনা য়ারিখৈ চত্তবা খঙজিন্নদবা নত্তনা পান্থে লৈতে। মমৈদদি অদুম কায়নখি। অদুগা তাচৌনা নুপী কোইবদনা শেল তোংই হায়রিসিনা কমাই তৌরিনো হায়না ঐনা য়ূমদা খল্লি। খল্লিঙৈদুদা তাচৌনা হায়খিবদু নীংশিংলকই।

"ইবো নুপী কোইবা হায়সিদি এ টি এম কার্দ পায়বগা চপ মান্নরিনি। হৈত্রদি নমৈ চপকনি, হৈবা অমদি মথৌ তাই। খরা তেথসিন্নবা, তুকথসিন্নবা, হায়জিনবী, তৌশিন্নবী য়াম হৈবা তাই। ৱা কন্না ঙাঙবা য়াদে। ঙম্মীখৈ থোৎথগদবনি, থোৎলিখৈ নুপীনা নুংশিবা হেনবনে। হয়েং মানা লৈবদা মাগী খুদোনবীদা উংবা য়াদৌবা মালহনগদবনি। মানা হেক হায়রিখৈ ফৈ ফৈদা হায়গদৌনি। অদু হৈতদনা মরৈগা হাইরপ য়েৎলুরবা ওইজবা শিৎলে"

অঙকপা মীদা জাৎনি তাচৌসি। অদুবু নোংমা তাচৌনা লৈশাবী অমগী খূপাক চাখিবদুমগী ৱারীদুদি নীংশিংবগা ঐ ইশাসি হুমাং শৌই। তাচৌনা নুপী অকোইবা অমা মপান কাংজৈবুংদা তৌবা মেলা অমদা পুরগা লাকপা, অচা অথক য়োনবা হোটেলদুদা নুপীদুনা পুশিল্লগা কনাগী য়েন মপূম অমা লৈরগা পীজৈ হায়। অদুদা মানা য়েনদু শেৎ শেৎতনা থজিন য়ৌখৈ গক-গক থগেখৈ চাশিল্লগা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা মতৈ মনাও শাদনা ঙাথু থেংথুরগা থোরকপদা অতোপ্পা মানা কোইনবা নুপী অমা কোক হেক থেংনরজাৎনি। নুপীদুনা মেলা য়েংবা চৎলুসি হায়না হৌবদা মাদি অতোপ্পা নুপী অমগা প্রোগ্রাম থানখিবদুদা ঐখোয় ইমা মশা ঙমদে, হয়েং ওইনা চৎসি হায়না হায়রুরগা নুপী অমগা কেনরগা থোরকপদুদদি নুপীদু ঈ কারজাৎনিদনা। ফি ফি কামখৈ মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা কৌরকপজাৎনি।

"তা ইরাবোত?"

তাচৌনা নোকফেৎ তৌরগা লৈথোরকপদা নুপীদু মমায় মমাঙ ওল্লগা মখ্বাং হায়রপ মেৎলগা মাবু শংত্রিক শংনা য়েং লৈরম্বদুদা লৱাই শাৎলজাৎনি। অদুদা নুপীদুনা মখা তারকই হায়।

"ইমা ঙমদবদুদি কমদৌরে? খরা ফরব্রা?" মাগা লাকমিন্নরিবা নুপীদুগী মমাঙদা তাচৌদু খুম্ফম লাকফম খঙদখৈ তিঙক মাইঙক্লরিঙৈদুদা লৈশাবীদুনা মখ্বাং মেৎলম্বা য়েৎথংবা খূৎতুনা হাইজিল্লগা মাগী মমায়দা খূপাক্না অমুক্তা শেৎখিববু মখোলদুনা ময়াম পূম্নমক খংদনা মঙোন্দা লোইনা য়েংলকই হায়। তাচৌদু তন্দন পাইখৈ ঙাইহাক উংবজাৎনি। নুপীদুদি অদুম চৎখ্রে হায়। মাগী ওইদ-পাদবদু খঙলকপদগী মাগা লাকমিন্নবা নুপীদুসু অদুম তূমিন চৎখ্রে হায়। তাচৌনা ওমশিল্লক্লিবা ময়ামদুদা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা "কৈসু তৌদেদা, য়াম নাবা নত্তে" হায়রম্মগা থোরকপজাৎনি। মানা থোরক্লিবদু গেট ওইরমদদনা টৌইলেট চঙফমলোমদা লাকখি হায়। তাচৌদু নুমিৎতুমদি খরা খূৎথিখ্রে হায়না ঐখোয়দা ৱারী লী। ঐ মাগী ৱারীদু নীংশিংলুবদা ফাক ফাক হৌনা নোকথোরকখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**